## ১৪রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪

# হৌদোকপা নুমিৎতা এফ সী আইনা দল্লিয়ু এফ এ থোইখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা এ শান্তা মীতৈ মেমোরিএল ১৪রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪ (ক্বালিফায়িং রাউন্দ ফোর আই দল্লিয়ু এল)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ফুটবোল ক্লব ইম্ফাল (এফ সী আই)না ৱিমেন ফুটবোল একাদেমি (দল্লিয়ু এফ এ)বু লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্প্লোং থোংখোঙদা হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা এফ সী আই অমসুং দল্লিয়ু এফ এগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদা অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙম্নখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ২১ শুবা মিনটতা এফ সী আইগী লোইতোংবম অমিতানা দল্লিয়ু এফ এগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী আইনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু নাকল অনীমক্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। দল্লিয়ু এফ এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুমওইনমক মখোয়গী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবদি কা-হেন্না ফংবা ঙমখিদে। অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৪৭ শুবা মিনটতা এফ সী আইগী অমোম ননাওনা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৫৮ শুবা মিনটতা এফ সী আইগী লোইতোংবম অমিতানা মেটচ অদুগী অহুমশুবা অমদি মহাক মশাগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। দল্লিয়ু এফ এগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মায়োক্তা এফ সী আইনা পাঞ্জল অহুম চনশিনখিবা অদু হন্দোক্লবা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। মখোয়না কাউন্টর এটেকশিং চখদুনা পাঞ্জল চন্নবা গোল তম্না কাওশিনখিবা বোল কয়া এফ সী আইগী হৈ-শিংলবা কীপরনা ঙাকথোকখিবদগী দল্লিয়ু এফ এগী হোৎনজমল অরেম্বদা তাখি। মেটচ অদুগী ৭৯ শুবা মিনটতা এফ সী আইগী টিমনা খঙহৌদনা চখরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী ফাঞ্জৌবম অবেমনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা দল্লিয়ু এফ এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এফ সী আইনা লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাকখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী রেফরিনা আর দি রিংনিদমনা ওইখি। মেটচ কম্মিস্নরনা অমর্জিৎ মীতৈ হিরোম অদুগা রেফরি এসেসরনা কৈল্যানি চনু চোংথামনা ওইখি।

অমরোমদা, ঙসি হৌদোকখিবা ১৪রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী থৌরম অদুদা হান্নগী মাইক্রো স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টর্প্রাইজেস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ব্লেক্কি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু মোবিচা, টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর এল বুধিচন্দ্র রোই অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা হয়েং মেটচ লৈরোই। থা অসিগী ১৬ নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ তাবদা ক্রিপসা অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী (টি ঐচ) অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা ঈ এস য়ু অমসুং এম পি এস সীগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

## ক্লাস হৌরগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):** সওম্বুং সঙ্গিত সমাজনা চখদুনা লাকখিবা যোগ অমসুং থাঙ-তাগী ক্লাস মতম খরা লৈবাক্কী ওইবা ফীভম্না মরম ওইদুনা লেপ্লুরবা মতুং লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ থা অসিগী ১৭ অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদগী মখা তানা অমুক চখবা হৌরগনি হায়না সওম্বুং সঙ্গিত সমাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না, সওম্বুং সঙ্গিত সমাজগী হোলদা চখগদৌরিবা ক্লাস অসিদা য়াওনিংবা অমদি তম্নিংবশিং মরুওইনা চহী নৌরিবা মহেরোয়শিংনা মতম চানা লাক্তুনা য়াওরবা য়াগনি হায়রি।

## ট্রায়ল সেলেক্সন

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):** মথং চহীগী জন্যুৱারী ৯দগী হৌরগা ১২ ফাওবা কর্নাটাকাগী বিজেয়াপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮লক শুবা নেসনল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুর সাইক্লিং টিম শেম্নবগীদমক ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা সাইক্লিষ্টশিংনা থা অসিগী ১৯গী অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবদা ৱাংজিং কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা মথৌ তাবা চে-চাং অমদি খূৎশু খূৎলায়শিংগা লোয়ননা সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শেমখিবা কম্মিটিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর এথলিট কম্মিসন ঈ ভুবনেশ্বরনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## রেজিষ্টর তৌগদবনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):** খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগতা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং, কোচশিং অমদি ক্লবশিং এন এস আর এস পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

## মমি ৱারী

### রজিভ খুমন

### ইমা



USED VEHICLES (Petrol Auto, Alto Car, e-Rickshaw, 2 Wheeler, Activa, Dio, Pleasure...etc.) পামজৈ।

# মখল খূদিংমক্কী Used Vehicles :- 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Jupiter, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Alto Car, i10, i20 and Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খূদোংচাবা লৈগনি।

EMPLOYMENT NEWS

# Office Asst. :- (H.Q. : Keishamthong, Nambol, Samurou) 2/2 পামজৈ।

# Mechanic (2/4 Wheeler) Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Security, Gr-IV 2/2 পামজৈ।

N.B. লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

Please Contact :
L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q.), Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
# 9362775475

HL-B/8405/21/11-20/12








HL-B/8419/14,15,17

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 991**

**FM Christian Gian Karlo Arca (2347) - FM Pawel Sowinski (2347)**
**World Youth Open U14 2023 Montesilvano ITA, 2023.11.20**

1.d4 Nf6 2.Nf3 g6 3.c4 Bg7 4.Nc3 d6 5.e4 O-O 6.Be2 c5 7.d5 e6 8.O-O exd5 9.cxd5 Re8 10.Nd2 Nbd7 11.Qc2 a6 12.a4 Rb8 13.h3 Qc7 14.a5 Ne5 15.f4 Ned7 16.Nc4 b5 17.axb6 Nxb6 18.Na5 Nxe4 19.Nxe4 Bf5 20.Bf3 Nxd5 21.g4 Nb4 22.Qg2 Bd7 23.Nc3 Nd3 24.Bd5 c4 25.Bxc4 Qc5+ 26.Kh1 Ne1 27.Ne4 Qxc4 28.Rxe1 Qd4 29.Ra3 d5 30.Nb3 Rxe4 31.Nxd4 Rxe1+ 32.Kh2 Bxd4 33.Qxd5 Rd1 34.Be3 Rxb2+ 35.Kg3 Bxe3 36.Qa8+ Kg7 37.Rxe3 Rg1+ 38.Kh4 Rb5 39.Re7 h6 40.Rxd7…


**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 990 Solution :**

**33. Qf8+** The white queen decoys Black's king. The white queen deflects Black's king away from protecting the square h6. **Kxf8**

33. ...Kg6 34.Qh6#

**34. Bh6+** The white bishop attacks Black's king, which is defending the square e8. **Kg8 35.Re8#** Pillsbury's mate
**1-0**




HL-B/8409/15




HL-B/8291/14/12-15/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com